**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31.03.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি বজ্র তাবদা নুপামচা অমা লৈখিদ্রে, য়ুম য়াওনা মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোকখ্রে।

২) কংগ্রেস লুচিংবা ইরেংবম হেমোচন্দ্র ঙসি মহাক্কী দলদগী রিজাইন তৌখ্রে। থৌওং অসি ভারত অমদি মণিপুরদা কংগ্রেস দল অসি মরাই চাইথরক্লে হায়বগী খুদম অমনি হায়না বি.জে.পিনা ফোংদোকখ্রে।

৩) ৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ইস্তর সন্দে পাঙথোকখ্রে।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ভারত রত্ন এৱার্দ হান্নগী উপ-প্রধান মন্ত্রি লাল কৃষ্ণ অদবানিদা খুৎশিন্নখ্রে।

অমসুং

৪) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী কেম্পেন ঙসিদগী উত্তর প্রদেশকী মিরুটতা হৌখ্রে।

------

নোংলৈ নুংশিৎ (এল)ঃ মণিপুরগী মফম কয়াদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা অখাক

অরাউ য়াওনা নোং চুখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা এগ্রিকলচরগী ক্বাটরদা লৈবা চহি ১০ রোম শুরবা নুপা মচা অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১ অদুৱাইদা বজ্র তাবদগী লৈখিদ্রে।

মফম কয়াদা অকনবা নুংশি অমদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং তাবদগী অমাং অতা কয়া থোকহনখ্রে। নোং অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা মহৈ মরোং কয়াসু অমাং অতা থোকহনখ্রে। থৌবাল জিলাগী খোংজোমগী শঙাইখোংদা লৈবা য়ুম অমা নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা চাউনা অমাং অতা থোকখি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- থৌদোক থোকফমদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চত্তুনা য়েংশিনখি অমদি অৱাবা তারবা ইমুংদা শেংগী তেংবাং পীখি।

ঙসি মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা থোকখিবা অখাক অরাউ অমদি নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী মতাংদা মণিপ্‌র য়ুনিভর্সিতি জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার- প্রদিপ কুমারনা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুদা হায়- মহৌশাদগী নোংজ্‌ থা লাক্লিঙৈ মমাংদা অসিগুম্বা অখাক অরাউ অমদি লেন য়াওবা অকনবা নোং চুবগী থৌওং অসি থোক্তুনা লাক্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মতম অসিদা য়ারিবা মখৈ পীক্লিবা অঙাংশিংনা নোং চুরিঙৈ অমদি অখাক অরাউ তৌরিঙৈদা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অহল লমনশিংনা শেন্নবীগদবনি।

হেমো (এল)ঃ ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী লুচিংবা অমদি হান্নগী মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ ইরেংবম হেমোচন্দ্র ঙসি মহাক্কী দল কংগ্রেসতগী রিজাইন তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

মমাংগী মণিপুর বিধান সভা মীখলদা কংগ্রেসকী টিকেৎতা মায় পাক্তুনা রাজ্যগী কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকারদা মন্ত্রি ফাওবা ওইরম্লবা কংগ্রেস দলগী লুচিংবা অসিনা মহাক দলদগী রিজাইন তৌরে হায়বগী চেরোল ঙসি ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্‌ন খরগে অমসুং মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস

কমিতিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রদা পীশিনখি। তুংদা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী হেমোচন্দ্রনা কংগ্রেস দলগী মতাংদা পেনদবা ৱাফম কয়া থমখি। মসিগা লোয়ননা মহাক হৌজিক ফাওবগী ওইনা দল অমত্তগা খুৎশমদুনা থবক তৌবা লৈতে। মসিগা লোয়ননা মহাকা কংগ্রেস দলদগী রিজাইন তৌবা অমদি লাক্কদৌরিবা মণিপুরগী লোক সভাগী মীখল অনি অসিগা মরক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মরী লৈনদে হায়নসু শেংদোকখি।

অমরোমদা, ঙসি কংগ্রেস দলগী লুচিংবা ইরেংবম হেমোচন্দ্রনা দল অসিদগী রিজাইন তৌখিবা অসিনা ভারত্তা অমদি মণিপুরদা কংগ্রেস দল অসি মরাই চাইথরক্লে হায়বগী খুদম অমনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্তি (বি.জে.পি) মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোই এম. অশিনিকুমারনা
ফোংদোকখ্রে।

আরপিআই (এল)ঃ মণিপুরগী ইন্নর লোক সভা কেন্দ্রদা আর.পি.আই-অথৱালেগী মীরেপ ওইরিবা মহেশ্বর থৌনাউজমদা দল অসিনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংলগনি হায়না দলগী নোর্থ ইষ্ট ওবজার্ভর বিনোদ নিকাল জেনা ফোংদোকখ্রে। দলগী লুচিংবা অসিনা হায়- লৈবাক অসিগী মহারাষ্ট্র নত্তনা অতৈ রাজ্যশিংদা এন.দি.এগা চৎমিন্নরিবা আর.পি.আই-অথৱালেগী মীরেপনা বি.জে.পিগা মীখলদা লম্বা পাবা য়ারোলই হায়বা লৈতে। করিগুম্বা দল অসিগী মতিক চাবা মীরেপ লৈরবদি বি.জে.পিগী মীরেপ্পু মীখলদা মায়থিবা পীদুনা মায় পাকপা ফাওবা য়াওরি। দল অসিগী মীরেপ ওইরিবা মহেশ্বর থৌনাউজমনা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মহাকপু মীখলদা মায় পাকনবা দলনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

ময়োল (এল)ঃ ময়োলনা হৌদোকখিবা ঐখোয়গী অনৌবা লংওনগী ভোৎ হায়বা কেম্পেন অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি হৈঙাং মখা লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা হৈঙাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ক্লব ১৪

অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা লোকেল লিদরশিং উন্নবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মীরেপশিংদগী শেল লৌদবা, চাকচা হৈজানবা তৌদবা, মহুৎ শিল্লগা ভোৎ থাদবা তৌদবা, মীখলগী রোড সো নত্রগা রেল্লিদা শরুক য়াদবা, মসল পৱার শিজিন্নদুনা নমফু শাফু তৌদুনা ভোৎ থাদহনবগী কলচর মুত্থৎপা অমদি ইশাগী ভোতিং রাইটপু মাংহন্দবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ৱাংগোই কেন্দ্রগী মনুং চনবা ৱাংগোই লোংজম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা লমদম অদোমগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা কেম্পেন অসি পাঙথোকখি। মদুদসু চপ মান্নবা ৱারেপশিং লৌখি।

ইস্তর (এল)ঃ মালেম শিনবা থুংবদা প্রভু যিশু খৃষ্টবু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎলবা তুংদা অমুক হিংগৎলকখিবগী ইস্তর সন্দে পালন থৌরম ঙসি পাঙথোকখি। তোঙান তোঙানবা চর্চশিংদা অহিং নোংয়াইগী ইস্তরগী লাইশোল সভাশিং পাঙথোকখি। উখ্রুল জিলাদসু চর্চশিংদা প্রভু যিসুগী মতিক মগুন শৈথাদুনা লাইশোন ইশৈ শকপগা লোয়ননা ইস্তর সন্দে ধর্ম্মগী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখি। ধর্ম্মগী চৎনবী খক্তা নত্তনা ইমুং মনুং অমদি খুন্নাইগী পুন্সিগী মরীদা নুমিৎ অসি ঙসি অচৌবা মরুওইবা থৌরম ওইনা জিলা অসিদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ নিংথৌখোং প্রোটেক্সন কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওকনরেল লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা হৌজিক রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম লৈবনা লাক্কদৌরিবা এম.পিগী মীখলসিদা থৱায় য়াওশিনবগী মহুৎ ইশাগী খুল ঙাকচবনা হেন্না লুমফম থোকই হায়বা অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে।

লুপ (এল)ঃ সাহিত্য থৌপাং লুপনা নুমিৎ ৬ নি চুপা অসামগী বোনতেরাপুর

অমদি ত্রিপুরাগী কোনুং আগরতালাদা চৎখিবা খোরিরোল খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা মীওইশিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা সাহিত্য একাদমি এৱার্দি শরতচন্দ থিয়ামা হায়- মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা সাহিত্য অমদি নাৎকী অচৌবা থৌদাং য়াওরি। মহাকা হায়- ঐখোয়গী লোল, সাহিত্য অমদি নাৎপু ঙাকবগী ৱাখল্লোনদা চৎখিবা খোরিরোল খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা মীওইশিংবু অসাম অমদি ত্রিপুরাগী মৈতৈশিংনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

খোঙচৎ অসিদা ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দি আর.কে. বুধিমন্তসু শরুক য়াখি।

সিপিআই (এল)ঃ সি.পি.আই থোবাল লোকেলগী ৩৬ শুবা লোকেল কনফরেন্স ঙসি ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দল অসিগী হান্নগী সেক্রেটরি কম্মরেদ- লাইশ্রম সোতিনকুমারনা দলগী ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোকখি। মদুদা সি.পি.আই নেসনেল কন্ত্রোল কম্মিসনগী মেম্বর ডাঃ এম. নরা অমদি দলগী থৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

লাইরিক (এল)ঃ ককচিং মখা লৈকাইদগী নোংমাইথেম মনিকচান্দনা ইবা লাইরিক- কোনথ্রেল মান্দপ অমসুং হংগৎনা য়েংলুবদা ঙসি ফোংখ্রে। ককচিং পাজি লৈকাইদা লৈবা নরসিংহ ঠাকুর মান্দপতা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা হিষ্ট্রি সোসাইতি ককচিংগী সেক্রেটরি পুখ্রম্বম রাজেন অমদি মচা চনু ককচিংগী প্রসিদেন্ট ডাঃ নোংমাইথেম প্রমোদিনি শরুক য়াখি। মখোয় অনিনা

লাইরিক অনি অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ককচিং (এল)ঃ খা মণিপুর হিন্দুস্তানি সঙ্গিৎ মহাবিদ্যালায়া ককচিংনা শিন্দুনা ভোকেল, ইন্সত্রুমেন্টে অমসুং পরকাসন ম্যুজিক্কী ওইবা ক্লাসিকেল ম্যুজিক কন্সার্ট অমদি ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং তুরেল ৱাংমদা লৈবা খা মণিপুর হিন্দুস্তানি সঙ্গিৎ মহাবিদ্যালায়াগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল (এল)ঃ আইকোনিক এৱার্দ অমদি ইন্তরনেসনেল এচিভর এৱার্দ ফংলকখ্রবা মাইবম আমরজিৎ সিংহবু ঙসি মৈতৈ কম্ম্যুনিতি জোইন্ট কোওর্দিনেতিং কম্মিতিনা থৌবালদা লৈবা বাবু বজারদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা তরামা ওকখ্রে।

দিফরেন্টিলিএবল পার্সন অমা ওইরিবা থৌবাল খুনৌ অৱাং ময়াই লৈকাইদগী আমরজিৎতা এৱার্দ অসি হন্দক নিউ দিল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া কাউন্সিলনা জরনেলিজম অমদি সোসিয়েল ৱার্কতা পীরকপনি।

হেলথ (এল)ঃ সি.সি.এস.কেনা শিন্দুনা ঙসি হৈরোক পার্ট থ্রিদা হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। জে.আর. হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা জেনেরেল মেদিসিন, গাইনি, পেদিয়াত্রিকনচিংবা অনা লায়েং কয়া চথখি। লোয়নননা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা কামজোং জিলাগী জেদ সোরোদা আইন কায়না উ পুথোকবা হোৎনরম্বা ট্রক ১২ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক ফাগৎলবা উশিং অমস্ং দ্রাইভরশিং অদু জিলা অদুগী ফোরেষ্ট বিট ওফিসারদা খুৎশিন্নখ্রে। অসাম রাইফলসনা জিলা অসিদা থা অসিগী ২০ দগী ঙসি ফাওবদা য়াম্লবা ক্বা সুপারি য়াওবা বেগ লিশিং ১০ হেন্না ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি থৌবাল জিলাদা লৈবা পেরাদাইজ ইংলিস স্কুলদা ইন্দিয়ান আর্মিদা চংনবগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ মহৌশাগী উমংশিং ঙাক শেনবা অমদি য়োকখৎতুনা থমবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা ক্বাক্তা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মহৈরোই ৫০ হেন্না শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী টেকিকেল সেসনশিংদা অখঙ অহৈ কয়ানা উমং য়োক্তুনা থম্বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

সিপিআই (এল)ঃ সি.পি.আই হৈরোক লোকেল কাউন্সিলগী ৫০ শুবা মীফম ঙসি হৈরোক পার্ট ৱান, হৈতুপপোকপীদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেটকী লুচিংবশিং অমসুং সি.পি.আই হৈরোক লোকেল কাউন্সিলগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুরদা লৈবা সি.পি.আই দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতা ঙসি জিলা অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ৬ কী দলগী লুচিংবশিংগী ওইবা মাফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু মণিপুর কনশি, মীওইবা জাতি কনশি হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইনা পাঙথোকপনি। মীফম অদুদা জিলা অসিগী মীয়াম্বু চাওখৎপা অমসুং নে তানা হিংহনবা ঙমবগী মতাংদা ৱাফম কয়া য়াওবা ৱারেপশিং লৌখি হায়না দলগী চেরোল অমনা হায়রি।

য় (এল)ঃ লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং ওইনা থৌবাল জিলাগী এক্সাইজ টিমনা ঙসি অন্দ্রোরোমদগী পুরকপা য়াম্লবা য়ুঙৌশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। অসিগুম্বা ময়াই কাবা নিশাশিং য়োনদনবা অমদি চাদনবা থৌবাল জিলাগী এক্সাইজগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নোদেল ওফিসারনা আপীল তৌরক্লি।

এৱারেনেস (এল)ঃ   নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী স্বাচতা কেম্পিং অমসুং ভোতর এৱরেনেস দ্রাইভকী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি কেন্দ্রগী য়ুথ ওফিস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না শিনবনি।

রেবিস (এল)ঃ   রেবিস লায়নাদগী ঙাকথোকবা হুই অমসুং হৌদোংদা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সার্ভিস রিক্রিয়েসন এন্দ ওর্গনাইজেসন ওফ য়ুথস (স্রোই) ক্লবনা রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগকা খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না হুই অমসুং হৌদোক ১০০ রোমদা হিদাক কাপথোকখি।

রাস্ত্রপতিঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি লৈবাক অসিগী মীচমদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা, ভারত রত্না এৱার্দ হান্নগী উপ-প্রধান মন্ত্রি লাল কৃষ্ণ অদবানিদা খুৎশিন্নখ্রে।

মনা অসি রাষ্ট্রপতিনা নিউ দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা খুৎশিন্নখিবনি। থৌরম অদুদা উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, হান্নগী উপ-রাষ্ট্রপতি এম. ভেনকয়া নাইদু, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং এল.কে. অদবানিগী ইমুং মনুংশিংসু শরুক য়াখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- লাল কৃষ্ণ অদবানি অসি চহি ৭০ হেন্না লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়নননা শিংথানিঙাই ওইনা থবক কয়া তৌরম্বা মীওইনি।

পিএম ঃ  বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী কেম্পেন ঙসিদগী উত্তর প্রদেশকী মিরুটতা হৌখ্রে। মীখলগা মরী লৈনবা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি সরকার অমা শেম

নবগী নত্তে, মীখল অসি ভারতপু চাওখৎপা লৈবাক অমদি মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা মীখল ওইগনি। ভারতনা ঙসি শেনমিৎলোনগী লমদা মাংজিল থাবা মালেমগী ১১ শুবা থাক্তা লৈবা লৈবাক ওইজবা তারবসু লৈবাক অসিদা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুং মশিং হেনগৎলক্লি। করিগুম্বা ভারতনা মালেমগী খ্বাইদগী শেনমিৎলোন ফবা মঙাসুবা লৈবাক ওইরকপা মতমদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ২৫ লাইরবগী খুবামনুংদগী নিংতম্বা ফংগনি।

মহাকা হায়- লৈবাক অসিবু শেঞ্জা থুমজা তৌবা মীওইশিংদগী মপুং ফানা নিংতমহনবা হায়বসি মহাক্কী অচৌবা খোঙজং অমনি। হৌখিবা চহি ১০ অসিদা মীয়ামা অমুক হন্না ওইথোক্লরোই হায়না খল্লুবা থবক কয়ামরুম সরকার অসিনা মায় পাকা পায়খৎখি। হায়রিবা থবকশিং অদুগী মনুংদা অযোধ্যাদা রাম মন্দির শাবা, ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন স্কিম অমসুং ত্রিপল তলাক্কী মায়োক্তা আইন শেমদুনা চৎনহনখি। মসিগা লোয়ননা লোক সভা অমদি বিধান সভাশিংদা নুপীশিংগী চাদা ৩৩ সিট খাক্তুনা থম্বগী আইন পাস তৌদুনা চৎনহনখি।

উত্তর প্রদেশকী মিরুট লোক সভা কেন্দ্রদগী বি.জে.পিনা রামায়ন টি.ভি. সেরিয়েলদা মমিং লৈখ্রবা টি.ভি. এক্তর অরুন গোবিন্দবু মীরেপ ওইনা থাদোক্লি। ঙসিগী মীখলগা মরী লৈনবা মীয়ামগী মীতিন অদুদা রাষ্ট্রিয়া লোক দলগী প্রসিদেন্ট জয়েন্ট চৌধুরি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, উত্তর প্রদেশকী লোক সভা মীখল অসি তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোক্কদবনি।

------